# তহেলকাগী এদিটর ওইরম্বা তরুন তেজপালগী মথক্তা রেপকী চার্জ ফ্রেম তৌখ্রে



পাঞ্জিম, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সী): গোৱাগী কোর্ট অমনা তেহলকা মেগজিনগী এদিটর ওইরম্বা তরুন তেজপালগী মথক্তা রেপ কেসকা মরী লৈননা চার্জ ফ্রেম তৌখ্রে।

গোৱা পুলিসনা তেজপালবু আই পি সীগী সেক্সন ৩৪৫-এ (সেক্স্যুএল হরাশমেন্ট এন্দ পনিশমেন্ট ফোর সেক্স্যুএল হরাশমেন্ট), সেক্সন ৩৭৬ (রেপ), সেক্সন ৩৭৬ (২)(কে) অমদি সেক্সন ৩৭৬-সী (সেক্স্যুএল ইন্টরকোর্স বাই পার্সন ইন ওঠোরিটি) অমসুং সেক্সন ৩৫৪ য়াওনা তোঙান-তোঙানবা মরাল কয়া শীরদুনা বূক তৌবা লৈখ্রবনি।

গোৱাদা মীওই অমবু রেপকী চার্জদা বূক তৌবা হন্দক্লা অহানবনি। তেজপালগী উকিলনা হায় কোর্টকী ৱায়েল পীরক্ত্রিবা ফাওবা ট্রাইএল কোর্টকী চার্জ ষ্টে তৌহন্নবা হোৎনখি। অদুবু মায় পাকপা ঙমখিদে।

ট্রাইএল কোর্টকী জজ বিজয়া পোলনা হায়খি, সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং মতুংইন্না মতম থেংথবা য়াদবদগী চার্জ ফ্রেম তৌখিবনি।

তেহলকাগী এদিটর ওইরম্বা তেজপালনা সেপ্টেম্বর ২৬ তা আপিল পিটিসন অমা হায় কোর্টতা ফাইল তৌদুনা লাৱর কোর্টতা ট্রাইএল চথবা মতিক চাদে হায়না ফোঙদোকখি। নবেম্বর ১ দা হায় কোর্টনা মহাক্কী আপিল অদু হিয়ারিং চথরগনি।

এদভোকেট রজিব গোমেজনা চার্জ ফ্রেম তৌহন্দনবা হোৎনখিবগা লোয়ননা হায় কোর্টকী ষ্টেটস রিপোর্ট পীশিন্নবগীদমক দিসেম্বর থা ফাওবা মতম লৌনবা হোৎনখি। অদুবু ট্রাইএল কোর্টনা হীরম অসিদা পন্থবগী মথৌ তাদ্রে হায়না লৌবগা লোয়ননা তেজপালগী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌখি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৪গী মেদা সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা য়াথং অমগী মতুংইন্না চার্জসীট ফাইল তৌরবা মতুং থা ৮গী মনুংদা ট্রাইএল চথুগদবনি। গোৱা ক্রাইম ব্রাঞ্চনা কুমজা ২০১৪গী ফেব্রুৱারী ১৭ তা তেজপালগী মথক্তা চার্জসীট থাঙ্গৎখি। ট্রাইএল চথুদ্রিঙৈদা থা ৩ অরেম্বদা মতম মাঙহনখ্রে হায়না প্রোসিক্যুসনগী উকিলনা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা তেজপালনা হায় কোর্টতা অমুক্কা হন্না হিয়ারিং চথনবা হায়জখি অমসুং মহাক্কী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌবা য়ারোই হায়না য়েৎখি।

কোর্টনা নবেম্বর ২১দা হায় কোর্টকী প্রোসিদিং পীখৎলক্কবা খঙহনখিবগা লোয়ননা মদুগী মতুং তারকপদা ট্রাইএল চথনবগী মতম লেপকনি হায়না লাউথোকখি।

কোর্টকী মপান্দা ঙাইদুনা লৈরম্বা পাউমীশিংদা এদভোকেট গোমেজনা হায়খি, হায় কোর্টনা হীরম অসিদা মতিক চাবা থবক লৌখৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। কেস অসি ট্রাইএল কোর্টনা পায়বা মতিক চাদে হায়না লৌই। অমরোমদা, প্রোসিক্যুসননদি দিফেন্সকী উকিলনা অরেম্বদা মতম মাঙহন্নবা হোৎনরে হায়না য়েৎখি।

# মথংগী এসেমব্লি মীখলদা মুকুল সংমানা কন্সটিট্যুয়েন্সি অনীদা মীরেপ ওইরগনি





শিল্লোং, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সী): কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোক্ক-দৌরিবা মেঘলায়াগী এসেমব্লি ইলেক্সনদা চীফ মিনিষ্টর ডো. মুকুল সংমানা সোংসক অমদি অম্পটি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মীরেপ ওইরগনি।

গারো হিলসতা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা চীফ মিনিষ্টরনা তোঙান-তোঙানবা কন্সটিট্যুয়েন্সি অনীমক্তা মীরেপ ওইবগী ৱাফম লাউথোকখি।

এম পি সী সীগী ছোর্স অমনসু চীফ মিনিষ্টরনা সোংসক অমদি অম্পটিদা পার্টিগী টিক্কেট লৌনবা থৌরাং তৌরে হায়না ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা সংমানা হায়খি, সোংসকতা ওইরিবা পোলিটিকেল দিভলপমেন্টকী মতাংদা মীদিয়ানা পাউ ফোঙবদা অকায়বা লৈতে। মীদিয়াগী নীংতম্বদা খূৎ থিংজিনবা পামদবা মরম্লা হীরম অসিগী মতাংদা অপাম্বা মওংদা পাউ ফোঙবদা অয়েৎপা পীরোই।

ছোর্স অমগী মতুংইন্না চীফ মিনিষ্টরনা সোংসকতা চৎতুনা লাক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা ভোট খোম্বগী থবক পায়খৎপা হৌরে হায়রি।

মমাঙদা নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি)গী স্পোক্সপার্সন জেমস কে সংমানা হায়খিবনি মদুদি, মীখলদা মায় পাক্তবগী ফীভম লাকখিবা মরম্না চীফ মিনিষ্টর সংমানা কন্সটিট্যুয়েন্সি অনীদা মীরেপ ওইনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। মশাগী কন্সটিট্যু-য়েন্সিদা থবক ফজনা তৌরবদি কন্সটিট্যুয়েন্সি অনীদা মীরেপ ওইবগী মথৌ তাদে। থবক নীংথিনা তৌখিদবা মরম্না মীখলদা মায়থীবা য়াই হায়না চিংনবদগী মুকুল সংমানা কন্সটিট্যুয়েন্সি অনীমক্তা মীরেপ ওইনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

অমরোমদা, হান্নগী মিনিষ্টর প্রিষ্টোন তিনসোং নেসনেলিষ্ট পিপলস পার্টি (এন পি পি)দা য়াওরবা য়াই হায়না থাজনরি। মশীং য়াম্লবা কোংগ্রেসকী সপোর্টর কয়ামরুম এন পি পিদা চঙখিবা মরম্না হান্নগী মিনিষ্টর প্রিষ্টোন তিনসোংসু পার্টি অসিদা য়াওনবা ফিরেপ লৌরকখিবনি হায়রি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, অথুবা মতমদা মীওই ১০,০০০ হেন্না এম পি পিগী প্রাইমারি মেম্বরশিপ্তা মিং চল্লবা য়াই।

অমরোমদা, কোংগ্রেসনা হৌজিক-হৌজিক কমার্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর ওইরিবা নেহরু সুটিংবু তিনসোংগী মায়োক্তা মীরেপ ওইনা থাগৎনবা থৌরাং লৌখৎলে হায়রি।

চীফ মিনিষ্টর মুকুল সংমাগা নক্কবা সুটিংনা মীরেপ ওইরবদি হন্দক্কী মতাং অসিদা শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়না থাজনরি। সুটিংবু মীরেপ ওইনা থাগৎনবা হোৎনবা মরম্না হৌজিক ফাওবদা য়ুদি পিনা অনীশুবা মীরেপকী লিষ্ট থাদোকপা ঙমদনা লৈরি। সুটিংনা করম্বা পার্টিদা মীরেপ ওইগদগে হায়বদু হৌজিকমক্কী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

# প্রাইম মিনিষ্টরনা ভগট সিংহগী ১১০ শুবা মপোক নুমিৎতা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সী): ভগট সিংহগী ১১০ শুবা মপোক নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈখ্রিদবা ফ্রীদম ফাইটর অসিগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা মহাক্না হায়খি, লৈবাক্কী নীংতম ঈহৌদা থৱায় কৎখ্রবা সহিদ ভগট সিংহগী মপোক কুমওন লাকপদা মহাক্না লৈবাক্কীদমক লৌরম্বা থৌদাং অদুবু নীংশিংবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী মফমদা থম্মোয় শেংনা ইকায় খুম্নবা উৎলি।

ফৈস্লাবাদ দিষ্ট্রিক্ট (হৌজিক্কা পাকিস্তানগী মনুং চনখ্রবা) কী বঙ্গ খুঙ্গংদা কুমজা ১৯০৭ তা পোকখিবা রেভল্যুসনরি ফ্রীদম ফাইটর অসিনা তুংদা হৌরক্লিবা ইন্দিয়াগী মীওই কয়াদা মথৌনা লৈবগী পূক্নিং ঈথিল পীরল্লে। লুচিংবা অসিগী মফমদা মীয়াম হুপ্না ইকায় খুম্নফম থোকই হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, ভগট সিংহবু কুমজা ১৯৩১গী মার্চ ২৩ দা মশাগী চহী ২৩ শুবদা ঙাইরিঙৈদা শিবরাম হরি রাজগুরু অমদি সুখদেব থাপারগা লোয়ননা লাহোর জেলদা থৌরী য়ান্দুনা হাৎখিবনি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টরনা বেঙ্কিং সেক্টরগা মরী লৈননা থেংন-রিবা খুদোংচাদবশিং য়েংশিনখ্রে।

তেলঙ্গনা, কর্নাটাকা, ৱেষ্ট বেঙ্গল, মণিপুর, মিজোরাম, কেরলা, টামিল নাদু, ছটিশগর, ঝরখন্দ অমদি দিল্লিদা রেলৱে, রোদ, পাৱর, কোল অমদি গ্যাস পাইপ লাইনগা মরী লৈননা পায়খৎলিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্ট ৯গী মতাংদসু প্রাইম মিনিষ্টরনা ফীভম য়েংশিনখি। ইন্দিয়ানা হৌজিক-হৌজিক ম্যান্মারগা নক্কবা মরী থম্মনবগী মতাংদা লৌখৎলিবা তোঙান-তোঙানবা থৌরাং কয়াসু মহাক্না য়েংশিনখি। হায়রিবা থৌরাংশিং অসি লুপা ক্রোর ৩৭,০০০ চঙনা পায়খৎপনি।

# ইন্দিরা গান্ধীগী পোলিটিকেল এদভাইজর ওইরম্বা মখন লাল লৈখিদ্রে

গুরুগ্রাম, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সী): ইন্দিরা গান্ধীগী পোলিটিকেল এদভাইজর ওইরম্বগা লোয়ননা গান্ধী ফেমিলিগী নক্কবা মীওইনি হায়না লৌনরিবা কোংগ্রেসকী সিনিয়র লীদর মখন লাল ফোটেদার লৈখিদ্রে।

মতম অমদা কেবিনেট মিনিষ্টর ওইরম্বগা লোয়ননা কোংগ্রেস পার্টিগী চনক্যানি হায়না খঙনখিবা ফোটেদার মতম খরা মশা ঙমদনা লৈরকখিবনি। খঙহৌদনা হকচাংগী ফীভম শোকচিল্লকপদগী মহাকপু সুসান্ত লোক এরিয়াদা লৈবা ময়ূমদগী মেদিসিটি মেদান্ত হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। মতম খরা লায়কন্নরম্লবা মতুংদা মহাক হোস্পিটালদা অরোইবা য়াহিপ তানখিবনি হায়না পার্টিগী লুচিংবা অমনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখি।

ফোটেদার লৈখিদবদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। মহাক্না হায়খি, কোংগ্রেস পার্টিগী লমজিং মৈরা ওইরম্বা ফোটেদারনা লৈখিদবদা পার্টি মনুংদা লৈহৌরিবা অৱাৎপা অসি মতম পুম্বগী ওইনা মেনশিনবা ঙম্লরোই। মতম শাংনা পোলিটিক্সতা খোঙদাদুনা লৈরকখিবা কোংগ্রেস লুচিংবা অসিনা মীয়ামগী রাইট ফংহন্নবগীদমক হনবা লৈতনা হোৎনরম্মী।

কাশ্মীর তম্পাক্কী অনন্তনাগদা মিদ্দল ক্লাস ৱন্মিন ইমুং অমদা পোকখিবা ফোটেদারবু কুমজা ১৯৫০গী পরিংদা মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর জৱাহরলাল নেহরুনা পোলিটিক্সতা পুশিল্লকখিবনি।

কুমজা ১৯৮০ দগী ১৯৮৪ ফাওবা প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীগী পোলিটিকেল সেক্রেটরি ওইখিবা মীওই অসি কোংগ্রেস পার্টি খক্তা নৎতনা গান্ধী ফেমিলিগী য়াম্না মরুওইবা মীশক অমা ওইনা লৌনখি।

ইন্দিরা গান্ধীগী ৱিলদা সাইন তৌখিবা মীওই অনীগী মনুংদা মহাকসু অমনি। হীরম কয়াদা ইন্দিরা গান্ধীনা তাথোক-তাশিন তৌখিবা মীওই অসি কোংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিটিগী পার্মেনেন্ট ইনভাইটি অমা ওইরম্মী।

# র‍্যান ইন্টরনেসনল গ্রুপকী ট্রষ্টি ৩ ফাদনবা পঞ্জাব এন্দ হরিয়ানা হায় কোর্টনা খঙহনখ্রে



চান্দিগর, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সী): গুরগাউনগী স্কুল অমদা মহৈরোয় হাৎখিবগা মরী লৈননা এন্টিসিপেটরি বেল পীবীনবা হায়জরকখিবা র‍্যান ইন্টরনেসনল গ্রুপকী ট্রষ্টি অহুম ফাবগী মতাংদা পঞ্জাব এন্দ হরিয়ানা হায় কোর্টনা ষ্টে তৌখ্রে।

সিঙ্গল জজকী বেঞ্চনা র‍্যান ইন্টরনেসনল গ্রুপকী সী ঈ ও র‍্যান পিন্টো, চ্যেরমেন ওগষ্টিন পিন্টো অমসুং মেনেজিং দিরেক্টর গ্রেস পিন্টো ফাবগী মতাংদা ষ্টে তৌখিবনি। জষ্টিশ সুরিন্দর গুপ্তনা হীরম অসিগী মতাংদা হায়খি, ওক্টোবর ৭ তা ৱাফম অসিগা মরী লৈননা মখা তাবা হিয়ারিং চথরগনি। ক্লাস টু তম্বদা ঙাইরিবা মহৈরোয় প্রদ্যুমান থাকুর হাৎখিবগা মরী লৈননা র‍্যান পিন্টো অমদি ওগষ্টিন পিন্টোনা এন্টিসিপেটরি বেল পীবীনবা হায় কোর্টতা ৱাকৎখি।

সেপ্টেম্বর ৮ দা প্রদ্যুমান থাকুরবু মঙক্তা থাঙনা লেল্লগা হাৎলম্বগী মতাংদা স্কুলগী বস কন্দক্টর অশোক কুমার ফাবা লৈখ্রবনি। হীরম অসিগী মতাংদা মীয়ামগী ঈহৌ লাকপদগী হরিয়ানা গভর্ণমেন্টনা ইনভেষ্টিগেসন চথনবা য়াথং পীবা লৈখ্রে।

র‍্যান ইন্টরনেসনল স্কুলদা মশাগী চহী ৭ শুবদা ঙাইরিবা প্রদ্যুমান কৌবা মহৈরোয় অমা শিখিবগা মরী লৈননা হরিয়ানা পুলিসনা ফাখিবা মীওই অহুম সী বি আইগী কষ্টদিদা থমখ্রবনি।

সী বি আইনা স্কুলগী বস কন্দক্টর অশোক কুমার, র‍্যান গ্রুপকী রিজনেল হেদ ফ্রান্সিস থোমাস অমদি ঐচ আরগী মকোক জে এস থোমাসপু মখোয়গী কষ্টদিদা থম্নবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

গুরুগ্রামগী ভোন্সি পুলিস ষ্টেসনদা আই পি সীগী তোঙান-তোঙানবা সেক্সনশিংগী মখাদা কেস অমা লৌখৎলবা মতুংদা চেন্নবা মীওই অহুম কোর্টতা পুথোকখি। কোর্টনা মীওই অহুম সী বি আইগী কষ্টদিদা থম্লগা মীহাৎ অসিগী মতাংদা মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন চথনবা য়াথং পীরকপা লৈখ্রে।

# ‘গুরমীটকী মায়োক্তা ৱা ঙাঙলুবগীদমক কয়ারক হন্না কিহল্লকখি’

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সী): দেরা সচা সৌদাগী লুচিংবা গুরমীট রাম রহিমনা য়োকচবী হনিপ্রীট ইনসানগী মপুরোইবা ওইরম্বা বিস্বাস গুপ্তনা হায়খ্রে মদুদি, মহাক্কী পূন্সিদা কয়ারক হন্না কিহল্লকপা লৈখি।

অপোকপা মহেন্দ্র গুপ্তগা লোয়ননা পুলিস ষ্টেসন অমদা লাকখিবা বিস্বাসনা হায়খি, রাম রহিমগী মায়োক্তা ৱাফম খরা ফোঙদোক্লুব-গীদমক দেরা সচা সৌদাগী কুর্বানি ৱিংনা কয়ারক হন্না কিহল্লকপা লৈখি।

কুমজা ১৯৯১ দা হনিপ্রীটকা লুহোংখিবা মীওই অসিনা হায়খি, গুরমীট রাম রহিম অমসুং হনিপ্রীট ইনসানগী মরক্তা য়ূম্বানবগী অরোনবা মরী থম্নে হায়না মীয়াম খঙনা লাউথোক্লুবগী-দমক দেরাগী কাঙবুনা অইবা চেরোল কয়া থারক্তুনা মহাকপু কিহল্লকখি।

কমল সীটি পুলিস ষ্টেসনগী ইন্সপেক্টর রাজবির সিংহনা হায়খি মদুদি, গুপ্তনা সেক্টর ৪ পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌরল্লে। শকখঙদবা মীওই অমনা টেলিফোনদা কয়ারক হন্না কিহল্লকখিবগীদমক পুলিস প্রোটেক্সন পীবীনবা মীওই অসিনা ৱাকৎলকখি। কমপ্লেন্ট অদু কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা করি করম্বা থৌরাং লৌখৎপা য়াবগে হায়বদু খন্নগনি হায়না ইন্সপেক্টর রাজবির সিংহনা ফোঙদোকখি।

মমাঙ চয়োলদসু বিস্বাসনা পাউমীশিংদা হায়খিবনি মদুদি, দেরা সচা সৌদাগী লুচিংবা রাম রহিমগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙলুবগীদমক মহাকপু নোংমা নৎত্রগা নোংমা শোয়দনা হাৎখিবা য়াই।

পঞ্জাব এন্দ হরিয়ানা হায় কোর্টনা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্ট অমসুং ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটতা দেরা সচা সৌদাগী মরল-মথুম থিগৎনবা য়াথং পীবা লৈখ্রবনি।

পঞ্জাব এন্দ হরিয়ানা হায় কোর্টনা রাম রহিমগী দেরা সচা সৌদাগা মরী লৈনবা মুভেবল অমদি ইমুভেবল প্রোপর্টি পূম্নমক থিগৎনবা ইনকম টেক্স অমসুং ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটতা য়াথং পীখ্রে হায়না পিটিসনরগী উকিল অমনা ফোঙদোকখি।

থবক্তগী পোথারবা সেসন্স জজ অনিল কে এস পাৱরবু হীরম অসিগী মতাংদা হায় কোর্টনা কোর্ট কম্মিস্নর ওইনা খনখি। ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌদ্রিঙৈদা দেরা সচা সৌদাগী সিরসাদা লৈবা মরল-মথুম পূম্নমক অতোপ্পা মফমদা থৈদোকখিব্রা হায়বদুগী মতাংদা রিপোর্ট অমা পীরক্নবা হায় কোর্টনা হরিয়ানা গভর্ণমেন্টতা য়াথং পীখ্রবনি।

দেরাগী মথক্তা লৌখৎকদবা থৌরাং অসিগীদমক ট্রাইব্যুনেল অনী লৈগনি। অমনা পঞ্জাবকীনি অমসুং অতোপ্পা অমনা হরিয়ানাগীনি। মীয়াম্না দেরা সচা সৌদাগী য়াম্লবা মরল-মথুম পৈশিন্দুনা লৈ হায়না ফোঙদোরকখিবা ৱাফম কদায় ফাওবা চুম্বগে হায়বদু ট্রাইব্যুনেল অদুনা য়েংশিনগনি হায়না হায় কোর্টনা ফোঙদোকখি।

HelpingHand Health Care
Keisampat Konjeng Hajari Leikai, Near: Oil Pump, Tiddim Road, Imphal West.
Phone: 7085500324 / 0385-2051738
ACUPRESSURE & PHYSICAL THERAPY
FREE O.P.D. for First 4 Patient Everyday;
Time from 6 a.m. - 8 p.m.
* খ্বাং নাবা, * লু- তাং চিকপা, * কল্লাক মরী শোনবা,
* পেরালাইসিস, * কোক চিকপা, * খোঙ- খুৎ চিকপা- নাবা ..etc
- FIRST COME FIRST SERVE - " COME AND BE HEALED "
HL-B/4122/22 Sept. & 1 Oct.

# ফম্লানখিবগী মরালদা পুলিসনা বাবা সিয়া রাম দাস ফারে



লক্ষ্নৌ, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সী): চহী নৌরিবী নুপীমচা অমা কয়ারক হন্না ফম্লানখিবগী মরালদা মশানা মশাবু খোয়ুম লাইগী মতিক ময়াই চেল্লি হায়জবা বাবা সিয়া রাম দাস কৌবা মীওই অমা উত্তর প্রদেশ পুলিসনা ফাখ্রে। বাবা সিয়া রাম দাসনা নুপীমচা অদু থা ৮ চুপ্না ফাজিন্দুনা থম্লগা কয়ারক হন্না ফম্লানখিবনি হায়রি।

নুপীমচা অদুনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মহাকপু খোয়ুম লাইগী মতিক ময়াই চেল্লি হায়জবা মীওই অদুগী তুংইনবা কয়ানসু ফম্লানখি হায়রি।

মরী-মতা অমনা নুপী অদুবু লুপা ৫০,০০০ লৌরগা বাবা সিয়া রাম দাসতা য়োন্থোকখিবনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি। অহানবদা নুপীমচা অদু লক্ষ্নৌদা পুরগা ফম্লাল্লবা মতুংদা মিসরিখতা লৈবা আশ্রমদা পুরগা অমুক হন্না ফম্লানখি।

বাবা সিয়া রাম দাসনা নুপীমচা অদুগী এম এম এস রেকোর্দ তৌরগা মীপুম খূদিংমক্তা য়ৌহনখিগনি হায়না কিহনবগা লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তদা তাকথোকপা য়ারোই হায়না নুপীমচা অদুদা কিহনখি। মিসরিখতগী আগ্রাদা লৈবা আশ্রম অমদা অমুক পুরবা মতুংদা মহাকপু অতোপ্পা নুপা খরনা নুমিদাং খূদিংগী থা ৮ চুপ্না রেপ তৌখি হায়নসু নুপীমচা অদুনা পুলিসনা ফোঙদোকখি। অকোনবদা নুপীমচা অদুনা বাবা সিয়া রাম দাসকী মোবাইল ফোনদগী পুলিসতা ফোন তৌদুনা পাউ পীবদগী পুলিস লাক্লগা খোয়ুম লাইনি হায়জবা মীওই অদু ফাখি।

চহী ২১ শুবদা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা ফম্লানখিবগী মরালদা মশানা মশাবু খোয়ুম লাইগী মতিক ময়াই চেল্লি হায়জবা কৌশলেন্দ্র ফলাহারি বাবা অলৱার পুলিসনা ফাবা লৈখ্রবনি।

পুলিসনা ফাদনবগীদমক মীওই অদুনা হকচাং ঙমদ্রে হায়জিল্লগা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা এদমিট তৌদুনা লৈখি। নুপী ফম্লানখি হায়বা কৌশলেন্দ্র ফলাহারি বাবা কৌবা মীওই অদু হোস্পিটালদগী ফাদুনা পুরকখিবনি।

অলৱার পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না চান্দিগরগী বিলাস্পুর পুলিস ষ্টেসনদা জিরো এফ আই আর অমা ফাইল তৌরকখ্রবা মতুংদা ইনভেষ্টিগেসন চথুরগা মীওই অসি ফাখিবনি। কেস অসি ফম্লানবগী থৌদোক থোকখিবা অর্বালি বিহারগী পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নদুনা মখা তাবা থবক লৌখৎনবা খঙহনখ্রে হায়রি।

ফম্লানবীখ্রবা নুপী অদুনা মশাগী ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি মদুদি, ওগষ্ট ৭ তা মহাক্না দিব্য ধাম আশ্রমদা চৎখি। নুমিৎতুদা ফলাহারি বাবানা মহাকপু অহিং য়ারেক্লবা খঙহল্লকখি অমসুং নুমিদাংগী পুং ৭ তাবদা নুপীমচা অদুকা মনুংদা কৌশিল্লগা ফম্লানখিবনি হায়না পুলিসতা ফোঙদোকখি।

ফারবা ফলাহারি বাবাবু পুলিস ওফিসলশিংগী টিম অমনা গভর্ণ-মেন্টকী হোস্পিটালদা পুরগা মেদিকেল চেক-অপ তৌরবা মতুংদা মখা তাবা থবক লৌখৎনবগীদমক পুলিস কষ্টদিদা থমখি।

পনবা য়াবদি, চান্দিগরগী বিলাস্পুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মশাগী চহী ২১ শুরবা লো ষ্টুদেন্ট অমনা মহাকপু রাজস্থানগী মশানা মশাবু তাইবং মপূনি হায়জবা মীওই অমনা ফম্লানখ্রে হায়না ৱাকৎলকপা লৈখ্রবনি। ৱাকৎ অদুদা য়ূম্ফম ওইরগা ৱিমেন পুলিস ষ্টেসননা সেপ্টেম্বর ১১ দা মশাগী চহী ৭০ শুরবা স্বামি কৌশলেন্দ্র প্রপন্নচারি ফলাহারি মহারাজগী মথক্তা কেস অমা লৌখৎখিবনি।

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## PUBLIC HEALTH ENGINEERING DEPARTMENT
---
### NOTIFICATION

Imphal, 27th September, 2017

**No. CE/PHE/1-1(NG)/2017/2354** : The result of the written test for direct recruitment of Office Assistant cum Computer Operator 20 posts in Public Health Engineering Department, Govt. of Manipur held on **24/09/2017** has been declared and Roll Nos. of successful candidates are as below.

**Roll Number (not in order of merit)**

| | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|
| OA-0039 | OA-0040 | OA-0091 | OA-0108 | OA-0164 | OA-0199 | OA-0200 |
| OA-0231 | OA-0254 | OA-0274 | OA-0298 | OA-0306 | OA-0308 | OA-0401 |
| OA-0413 | OA-0426 | OA-0468 | OA-0472 | OA-0495 | OA-0502 | OA-0504 |
| OA-0506 | OA-0524 | OA-0562 | OA-0603 | OA-0622 | OA-0638 | OA-0741 |
| OA-0758 | OA-0800 | OA-0806 | OA-0852 | OA-0874 | OA-0910 | OA-0914 |
| OA-0916 | OA-0936 | OA-0949 | OA-0973 | OA-1012 | OA-1013 | OA-1045 |
| OA-1050 | OA-1068 | OA-1077 | OA-1078 | OA-1103 | OA-1104 | OA-1152 |
| OA-1181 | OA-1195 | OA-1212 | OA-1218 | OA-1240 | OA-1246 | OA-1288 |
| OA-1303 | OA-1309 | OA-1329 | OA-1367 | OA-1417 | OA-1443 | OA-1461 |
| OA-1464 | OA-1480 | OA-1494 | OA-1503 | OA-1511 | OA-1524 | OA-1556 |
| OA-1557 | OA-1702 | OA-1726 | OA-1736 | OA-1742 | OA-1774 | OA-1827 |
| OA-1916 | OA-1917 | OA-1922 | OA-1952 | OA-2120 | OA-2421 | OA-2439 |
| OA-2447 | OA-2605 | OA-2611 | OA-2643 | OA-2680 | OA-2867 | OA-2940 |
| OA-2944 | OA-2957 | OA-2982 | OA-2989 | OA-3000 | OA-3013 | OA-3045 |
| OA-3046 | OA-3049 | OA-3067 | OA-3072 | OA-3102 | OA-3109 | OA-3138. |

2. The computer skill test (practical) will be held at State Academy of Training, Takyelpat, Manipur on **04/10/2017** from 9.30 A.M. onwards.

3. The computer skill test should be 15 marks for 15 minutes. Candidates should bring the Admit Card on the day of computer skill test.

*Sd/-* **H. Sunil Singh**
Chief Engineer, PHED
Government of Manipur

HL-P/2969/28-29/09